ৱারী ককনাউ

# হুরানবা মকোক

**—নরেন্দ্র নিঙোম্বা—**

***ইপন*** চাওবগী ৱারী অমা লৈ। হৌজিক্তি ইপন চাওবা অহল ওইরে। মপুকচেল য়াম চাওবা নুপানি। অদুবু লায়দি লায়রৈ। ইপন্না লৈপুং ফম্বদা লীখিবা ৱারী অমা নীংশিংলকই। ইপন চাওবা অহল লমনশিংনা কৈমতা থম্বীরমদে। মচা মশু য়াওশিল্লকই। থবক তৌহৌদে। ফৌ-চেঙ লৈতে। নোংমা নোংমগী হাতে-হাতে চাবনি। লাইরিক অদুক য়াম্না হৈহৌদ্রবসু মতমদুদদি ইপন চাওবনা লৈকায়দুগী খ্বাইদগী শিংবা অমদি অহৈবা হায়দুনি। অদুনা লৈকায়গী, মীয়ামগী থবক ইনখাং, পাউখোন চেল্লিঙৈদা ময়ূমদি ক্বাক মখোঙ পুখৈ হায়দু হেক য়ৌবনি। মমৈদা উপাই লৈতদুনা ঙম্নবা হোৎনবদা তৌহৈদবা থবক তৌখি হায়। হৌজিকপুদি মচা নুপা থবক তৌবা য়াওদুনা অদুক কা হেন্না নুংঙাইত্রসু পুক ফাওদি থন্না চাবা ইমুং হায়দু ওইরে। ইপন চাওবগী ইনেদু হৌজিক্তি লৈখিদ্রে। মানা ইশৌ লাংমনবদগী মচাশিং মী ফাওদি ওইহৌবনি হায়নরিবনি। মচানা করি চারি, করি শেৎলি, লাইরিক করম তল্লি ইপন চাওবদি কৈমতা য়েংবা শঙলমদ্রবনি।

অঙাং ওইরিঙৈদা ইপন চাওবসে ষণ য়াম কিরকই হায়। থায়নদি ষণ শেনবসি য়ুমথোংগী পাল্লি নাইনরম্মী। অদুনা নোংমা ষণ শেনবদা ষণশিংদু লম্মাংদা, লৌবুক্তা থাদোক্তুনা মচিঞ্জাক পীজরিঙৈদা ইপন চাওবনা খোঙনাং মখোঙদা খুদৈ অমা থাদুনা তূম লৈথোক্লজাৎনি। মানা মীকপ থোরকপদা নুমিৎ তাদৌরম্মবজাৎনি। ইপননা থেংঙে সিদি হায়না ষণ মথং মথং হোইগৎপদা, ষণ লমচা অমদি মমৈ থেকৎতনা নুংদাংৱাইরমদুদা করি চাগে হরাউরিনো খঙদে, মথোঙ খঙদখৈ পংচেন্দা চেল্লজাৎনি। ষণদু তান্নবদা ইপনসি পোপ হেক তাবনি হায়। মমৈদা অঙাওবা ষণ লমচাদু শাজৈনা শেৎ শেৎ কল্লগা হোইগৎলকপদা, লমচাদু শাজৈনা কনবদুদা নারবরা কৈনো, ইপনদা থোক ওনশিল্লগা হৌগৎলকপদা ঙাইরিবা মচি অনীদু লুকথরগা ইপনদা তল্লগা ফি-ফি কামদুনা তান্নরজাৎনি। ইপন্না মসিদি মতা অমনিনে হায়দনা হোৎতনা মানা অমুক চেল্লজাৎনি। লমচাদু তান্নবদা হিকথরবা ইপনদু অমুক লমচাদুনা ওনশিন্দুনা তান্নরকপদা শিরে শিরে হায়দনা কোইচেন চেনবদা খোঙবান্দা তুশিনবদগী হিংহৌবনি হায়। মদুদগী ইপনসি ষণ শাথিনা কি। লম্বীদা ষণ লৈরম্মদি সাইকল খাল্লগা থৈদোক্লগা চৎলিবনি হায়। ইপনদু উপায় লৈতদুনা মমৈদদি খরা লায়বা শঙ্গোলদা থোক চংঙগা য়াবা ষণ হুরানবা ওইনা চৎলি হায়। মদুদা ইপননা কিবসি শাথিনা কিবনি হায়। অহিংদুদা ষণদু চিংঙগা পুরকপদা মথুনলোমদা ৱাইরক্কদরা হায়না। মপুন্সিগী হুরানবগী থবক তৌরক্কনি থাজদবা মীয়ামগী, লৈকায়গী থবক তৌজরকপা ইপনদো তাঞ্জা মেঞ্জানা য়াদদনা ষণ হুরানবগী থবক তৌরকই হায়।

ইপননা তৌখিবা অদুগা খৈতং থৈনরসু ঐখোয় কেন্দ্রগী বোবিনা ইলেক্সন থেংননি হায়না তৌরিসিগা হায়রপ মান্নে। বোবি মীনা হায়নবদা অরোনবা চিঞ্জাক্কা মরী লৈনবা ব্যুজিনেস অমা তৌবদগী শেল খংপায় পায়খিবনি হায়। থিকা তপ তাখৈ তৌরম্মী। মোই থোঙ্গালদা বোম পোকখায়বদা মোই ইমুংগী মী শোক্ত্রসু লম্বী চৎপা মী শোকপসু য়াওখ্রে। মদুগী য়ানিংদবা ফোঙদোকপীনবা লৈকায় ক্লবতা ৱাকৎ মীফম ফম্বীয়ু হায়না মানা হায়বদা লৈকায় ক্লবনা শক নুংশিদে, মানা সেরান তুরান তৌবদগী পোকখায়রগা হায়দুনা য়াখিদবনি। হৌজিক্লা ইলেক্সন লেপতৌরি হায়না নহা খরা খরা পুল্লম্বদগী হৌজিক্লা অয়ূক-নুংথিল-নুংদাং হায়বা থিদ্রে, মাগীসিদা পুল্লিবা মীসি ওখাক য়ামখ্রে। হৌজিক্তি তুলসি মনাদগী হেন্না শেংবদৌনা লৈবাক্কসি মানা নুংশিবদগী হেনবা মী অমত্তা লৈতবদৌনা তৌরে। মানা হয়েং কারগা করিনো তৌদৌরিসে হায়না মীয়াম্না হংনরি। অদুবু ভোটতি লেপতৌরি, মী য়াম তিল্লি। সিগুম্বা ময়াম অসিনা লৈবাকসি করি ওইরক্কদৌরিবনো হায়বা ঙমদে হায়না ইনে থরোগী হোটেলদা অয়ূক চা থকপদা ময়াম কন্না ঙাঙনরি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৪

১। রাজকুমার মনি করি লাইরিক্তা একাদেমি এৱার্দ ফংখিবগে?
২। কবি লনচেনবা মীতৈনা দ্রামা অমখক ইখ্রে। মমিংদু করি কৌই ?
৩। 'শোল্লবা মরী' ৱারীমচা অসিগী অইবীদু কনানো ?
৪। গান্ধীজীগী 'My experiment with Truth' পু মীতৈলোন্দা হন্দোকপা হন্দোক্লোইদু কনানো?
৫। 'শুনুগী মহাও' দ্রামা ইবা অইবদু কনানো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ৯, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।
ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৩ গী পাউখুম মঙামক চুম্না থাবীরকখিবশিংদি**

১। সগোলশেম লল্লেবী চনু, লংথবাল কুঞ্জ ময়ায় লৈকায় (৫)
২। *সগোলশেম মালেমখোম্বা মঙাং, লংথবাল কুঞ্জ ময়ায় লৈকায়* (৫)

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৩৩ গী ৱিন্নর**

*সগোলশেম মালেমখোম্বা মঙাং, লংথবাল কুঞ্জ ময়ায় লৈকায়*

(দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা)

**খুদোলপোৎ লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম**

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ ২৯, ৩০, ৩১, ৩২ অমসুং ৩৩ গী খুদোলপোৎ দিসেম্বর ০৪,২০১৬, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবদা লান্থোকচরগনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৩ গী পাউখুম

১। 'তৎখ্রবা পুন্সি লৈপুন' ইবগীদমক একাদেমী এৱার্দ ফংখিবা অইবদু কনানো? ঃ- শিজগুরুময়ূম নীলবীর শর্ম্ম শাস্ত্রী
২। কবি শ্রী বীরেন্না লীলা অমখক ইরম্মী। মমিংদু করি কৌবগে?
ঃ- 'হল্লকপা'
৩। অইবী খাইদেম প্রমোদিনীনা নোভেল অমখক ইরম্মী।
মমিংদু করি কৌবগে? ঃ- 'কংলবা সনারৈ ময়োম'
৪। 'The Shadows of Statues' হায়না ইংরাজিদা শৈরেং লাইরিক অমা হন্দোকখিবা হন্দোক্লোয়দু কনানো?
ঃ- রোবিন্দ্রো ইরোম
৫। 'নিংঙোল কা' রেদিও দ্রামাগী অইবদু কনানো?
ঃ- সলাম তোম্বা

লমকোয় ৱারী

# পুন্সিগী খোঙচৎশিং নীংশিংলকপা

*(হান্নগী মখা চথজরকপা...)*

**সীগল উচেক**


সীগল উচেক

মালেমসিদা, উচেক মখল কয়া লৈ। অশুকপা উমংগী পুন্সিদা হিংজবা উচেক, লোকনুংদা চাকতাজবা, পাৎতা চাকতাজবা অমদি সমুদ্রদা চাকতাজবা, অপীকপদগীনা অচৌবা উচেক কয়া কয়ানি। অতৈদি ফনা য়াম্না থেংনরে, সমুদ্রদা চাকতাজবা উচেক অসিমদি ঐখোয়গী ইন্দিয়াগী নোর্থ ইস্টতা সমুদ্র লৈতবনা খনসু খল্লুদে। লাইবক ফবনা হন্দক থেংনখি, উরকখি সমুদ্রগী উচেক সীগল। সীগল অসি লারিদা (Laridae) হায়বা শাগৈগী উচেক অমনি। মচিল শাংতক তৌই। ঙানুগুম্না মহাক্কী খোঙশাশিং ইপাক পাকই। অপাকপা খোংপাক অসিনা সমুদ্রদা লাইনা তাউদুনা লৈবা, ঈশিং মনুংদা লুপথদুনা ঙা ফাবা ঙম্মী। সীগলগী কাঙলুপ অসি তরামাথোই শুই হায়। কাঙলুপ তরামাথোই অসিগী মনুংদা অমুক মখল চাউরাক্লা য়াঙ্খৈগী মথক্তা লৈ। সীগলশিংগী মচুসি মরুওইনা অঙৌবা মচু অমা, অমুবনা মশা অমদি মকোক্তা লাংবা অমা, মখল অনীসিনা নম্না উরকই। মখল খেন্নবগী মতুংইন্না চাওবা-পীকপসু খেন্ননা উখি। মখোয়সি ময়াই ওইরপ চাওবা উচেক্লি। অখঙবা মীনা হায়রকপদা, মখোয়গী মপুন্সিসু চহী ৪৯ লোমগী চাংদা হিংঙি হায়।

সীগল উচেক অসি শারাক ফবা, মথৌনা লৈবা কিগন্দবা উচেক ওইনা উখি। শাংলবা পুং কয়াগী লম্বেল অদুদা মখোয়না ঙাইহাক্তা পোৎথাদনা, পাইবা লেপ্তুনা জহাজগী মতুংদা ঙা ফাগদবগী ইন্নরকখি। সমুদ্রদা লৈবা অচৌবা ঙাজাওশিং ৱেল অমদি সিল ফাওবা মখোয়না পাইশিন-পাইশিন্দুনা শাদোং ফক্লগা চাবা ঙম্মী হায়। মকুম-মথা শুরক্তুনা মরুম কোকপা মতমদা অনী নত্রগা অহুমদগী হেন্না মরুম কোক্তে, মখোয়গী মকোন অতৈ উচেক্কুম্না অৱাংবা উথক্তা শাদে লৈমাইদা, সমুদ্র মপান্দা লৈবা লৈঙোই নূংলক্তা মকোল শাই। মরুম কোক্তুনা মচা কোল্লি। মীরক্তা লৈনিংবা, মীগা তোৎননিংবা উচেক্লি। করিগুম্বা মতমদা তোর্ব্বান্দা লৈবা মীরক্তা পাইশিল্লক্তুনা মীগী মখুত্তগী অচা-অথক মুল্লি হায়না জহাজগী খোঙচৎ অদুদা থেঙনখিবা আইরিস মচা অমনা হায়রকখি। মহাক্কী শাজৎতা খর নুংঙাইতবা তৌজরবসু উচেক অসিবুদি মীয়াম্না নুংশি। থাপ্না খোংলকপা তারগা হেন্না নুংশিবা পোকই। মশক উরগা, ফারগা য়োকনিংবা উচেক্লি। উচেক অসি মালেমগী মফম অয়াম্বা খঙনরে। মহাক্কী ফেমিলি, হেবিট, সমুদ্রদা হিংলিবা পুন্সি মহিং কয়া অসিগী মরমদা The Royal Society for the protection of Birds, UK. অমদি BBC News শিংদা লেপ্তুনা পাউ পীরি, নৈনরি মখোয়গী মরমদা থীজিল্লি হায়।

কয়াদা মরাইবক ফরিবা মীরমগী উচেক্লো ? ঐখোয়গী নোংইন, ঐখোয়গী পাৎকি ঙানু-থংকোল, চোংঙা লাবদি থিজিনবীবদি লাইরদনা, লাং থাকপশিংগী মখুৎতা তাদুনা হোটেলদা প্লেটকী লৈতেং ওইরি। চোংঙালাবা হায়না খঙনবা উচেক্লা, মাইবগী হিদাক ওইনরি হায়নসু তাখি। নোংইন কৌবা উচেক্তি 'নেস্নেল বার্দ ওফ মণিপুর' নি হায়নসু লাওথোকখ্রে। পাউসিবু চীংগী মনুং য়ৌশিনবা লমশিংদা, কাচিন-কোয়া য়ৌনা তাবা ফঙনরমগদ্রা ? খঙহনবা ঙমলমগদ্রা ? তাদবা, খঙজদবা মীয়ামদা খঙননবা থৌরাংনা করিবু হোৎনবিরিবা? খল্লুবদা কোকসি লুম্মী।

**জহাজ মনুংদা অমুক হঞ্জিল্লকপা**

ঐখোয়গী আর্টিষ্ট (ইবোমচা ৱাং) না পাউ অমা পুরকই। জহাজ মনুংদা কৈথেল অমা লৈহৌই। জহাজ মনুংদবু করম্না কৈথেল লৈরমগদগে? থাজদ্রগা চৎলুসি হায়দুনা মহাক্লা লুচিংদুনা পুরকখি। জহাজ মনুংদা মী য়াম্না তোংলমগদবা মাল্লুদে অদুগদি ফ্লোর অমদা অচৌবা কৈথেল অমসু লৈরম্মী। মী ফজনা তীল্লি। এয়রপোর্ট মনুংদা সুপরমার্কেট অমা লৈরম্বদুগা চপ মান্নে। বার, রেষ্টুরা, কেফেটারিয়া চাওনা লৈরম্মী। ঈশৈ শক্তুনা, নুপা-নুপী বোল ডান্স তৌরম্মী। ঐখোয়সু রেষ্টুরা অমদা চঙলগা কোফি অমমম থককখি । ঙাইহাক লৈরগদি কনাদগী ফংবা পাউনো খঙদে মথং-মথং ঐখোয়গী মী অয়াম্বা জহাজ মনুংগী সোপ্পিং ফ্লোর অদুদা লাকই। মানা-মানা পাম্বা লৈনৈ, চানৈ।

মরুপ ইবোমচা ৱানা পাউ অমসু পুরকই। সেনিমা য়েংলুসিরা হোল লৈহৌই হায়রৈ। অহানবা কৈথেল লৈহৌবগী পাউসু মানা পুরকপনি, সিনেমা হোল লৈহৌই হায়বসিদা ঐখোয় চুমলমগনি নত্রগা লানলমগনি হায়না য়েৎনরুদ্রে। চৎলুসি হায়দুনা মতুং ইল্লি। হোলদু নক্লা লৈরম্মী। ফ্লোর অদুমক্তদা লৈরমখি। জহাজ মনুং অদুদা মিনি সিনেমা হোল অনী লৈরম্মী। হোল অমমমদা মী ৩০০ লোম চল্লি হায়। "ডি প্লটুন" হায়বা জেমস বোন সেরিজগী সিনেমা অনৌবা অমা তৌরম্মী। মতম শাংনা সিন কোন্নরিনা জেমস বোন্দ শাদুনা লাকই, মথংদা রোজর মুরনা অমুক শিনখি। হন্দক্কী অসিনা রোজর মুরগী হেক মথংদা টিমুথি ডল্টোননা জেমসবোন সেরিজদা শক্তম লাংবা অহান্বনি। ফিলম অসি মমিং ফজনা চৎখি। জহাজ মনুংদা উৎপা অদুফাওবা হাউস ফুলনি। ঐখোয় মী মরী টিকেট কক্তুনা সিনেমা অদু য়েংখি । সিনেমা লোইরগা থোকলকপদা, দুব্লিনগী হিথাংফম য়ৌশিলকপগা চানরমখি। দুব্লিন য়ৌরে হায়রকপদগী ঐখোয় মথং-মথং লিফতা কুমথদুনা বস মনুংদা ফম্মী। নুমিৎ তাগদৌরম্লে। বস তোংদুনা অমুক ঐখোয় ময়াম জহাজদগী থৌদোকলকই। জহাজ মনুংদা জহাজনি হায়বা খঙদবদু হিথাংফম অদুদগী থৌদোকলল্লগা ইয়াইদা খামদুনা লৈহৌবা জহাজ অদু হন্না য়েংলকপদা ময়েক শেংনা উখি। অসুম্না পুং নিপান জহাজ তোংদুনা সমুদ্রগী ঈশিং লম্বীদা, পুন্সিগী অহানবা ওইনা খোঙচৎ অদু চৎখি।

**দুব্লিন আইরিলেণ্ড**

দুব্লিন হায়বসিগী ৱাহন্থোক্তি অমুবা পুখ্রি (Black Pool) হায়বনি। অঙনবা মতমদা মফম অসিদা খুন্দারম্বা আইরিসশিংনা হান্না "Dubhlinn" হায়না কৌনরম্বদগী কোন্নথংদা "Dublin" হায়না খঙনখি। NORSE শিংনা অঙনবা মতমদা (৮৪১-৯৯৯) পাল্লম্মী। ১৭ শুবা চহী চাদা লৈবাক অসি চাওথোকখি।

London গী মথংদা, British Empire মতমদা অনীশুবা সিটি অমা ওইনা শেমগৎখি মথংদা European City গী মনুংদা মঙা শুবা খ্বাইদগী চাওবা সিটি অমা ওইখি হায়। অপীকপা লৈপাক ওইরবসু হৌজিক্লা মালেমগী মকোক থোংলবা চাউখৎলবা সিটি ২৫ গী মনুং চল্লবা লৈপাক অমা ওইরি। শোক ১৮০১-১৯২২ অসিদা United kingdom of Great Britain অমদি Ireland গী শরুক অমা ওইনা লৈরকখি। মসিগী মতুং (১৯২২-১৯৪৯) আইরিস অসি মনিংতম্বা ষ্টেট অমা ওইরে হায়না শক খঙখি। ঙসিদি Dublin অসি Republic of Ireland গী কোনুং অমা ওইরে। মমিং চৎলবা খোরিরোল শুবা, ড্রমাটিষ্ট কয়া পোকখিবা মফমনি। মালেমগী অইবসিংগী ফিদা ফংলিবা মমিং লৈখ্রবা খোরিরোল শুবা, প্লেরাইদ, Nobelaureates-William Butler Yeats, G.B.Saw অমদি Samuel Beckett মফমসিগী শক্লাইখিবা ঙাক্তনি।


ড্রমাদা নত্তনা সিনেমাগী লমদসু এৱার্দ ৱিন্নিং, ওস্কার ফংখ্রবা ফিলম কয়া লৈখ্রি। DARCULA, OSCAR WILDE পনবা য়াই। তশেংনমক দুব্লিন অসি খোরিরোলগী লমনি হায়বা মীপুম খুদিংমক্না খঙনৈ। খোমজিল্লবা অতেনবা ৱারী মচা short stories ময়াম অমা দুব্লিনগী পুক্কেদা লৈবা থেংনৈ। অপীকপা আইরিলেণ্ড অসিদা চাওরবা Literary Museum,National Print Museum of Ireland অমদি National Library of Ireland লৈরী। Literature চাওখৎনবগীদমক্তা মখোয়না হোৎনরিবসি দুব্লিন খক্তগী নত্তনা মালেমসিদা লৈরিবা মীওইবা কাংলুপকী ওইনা অচৌবা পুক্কে অমা শেমদুনা থম্বিরল্লবনি। অপীকপা ইথৎনা কোয়শিল্লগা লৈরিবা লৈবাক অসিনা, চাওখ্রবা লন অমা লেপশিনবা ঙল্লিবা মখোয়গী থৌনা কল্লকই। সনা-লুপা, লন-থুম লৈববুদি খোরিরোলগী পুক্কেদা ইনাক খুনবসিনা তুংগী মীরোলগীদমক্তদি মসিদগী হেনবসিবু করি অমুক লৈরমখিগদগে? থিয়েটরগী লমদসু য়াম্না মাঙজিন থারিবা মফমনি। Noel Purcell, Brendan Gleeson, Stephen, Rea, Colm Meaney অমদি Gabriel Byrne লৈরি। খ্বাইদগী শীংথানরিবা মমিং লৈরিবা থিয়েটরদি Gaiety, Abbey, Olympia অমদি Gate অসিনি। দুব্লিনদি, মমা অফবনা পোকচবী, মীকৌ-মীরম ফজবী, চঙখোল্লবী নুপী মচা অমগুম ঐনা খঞ্জখি। পোকমিন্নবা মচল-মচে Twin Town, Sister City ময়াম অমসু লৈরমখি। Sister City শিং অদুদি- Barcelona Catalonia -Spain, Liverpool- England, United Kingdom অমদি San Jose-California, United States of America অসিনি। সমুদ্রনা ইকোয়-কোয়শিনবা লমদম অমা ওইবনা, চাওরবা হিথাংফমশিং Waterford Port, Dublin Port অসিনা, অতৈ লৈবাক কয়াগা ললোন-ইতিক তৌদুনা ফাওনহল্লি। হিথাংফমশিং অসিনা পুং ২৪ হাংদুনা লৈ। নোংমদা মীওই লীশিং কয়ানা অপীকপা অমদি অচৌবা জহাজ কয়া তোংদুনা Liffey তুরেলগী মরিলদা অকা-অকুম তৌদুনা পুন্সি শিন্থা পাঙথোক্লরি। শিন্থা মরক অদুদা ঐখোয়সু অমা ওইনা য়াওরুখি।

ঐখোয়না থুংখিবদু, ইয়ুরোপকী অতৈ মফমদা লৈবগুম তোংঙান তোংঙানবা হোটেলশিংদা মী খায়দোক্লদুনা লৈখিবনি। মতম কুইনা লৈগদবা নত্তে, নুমিৎ মঙানিগী খোঙচৎনি। পর্ফোমেন্স উৎকদৌবা মফম্না Mansion House কৌই। য়াম্না ঈংবনা ঐখোয় কা মনুংদা রুম হিটর থাগৎলগা প্রোগ্রামগী মরমদা খন্নদুনা লৈখি। নুমিৎ তেন্না লৈগদবনিনা,ঐখোয়না লৈরিবা হোটেল অদুগী কিয়ার টেকরদা লাইরিক খর লৈনীংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখি। মহাক্লা রোড মেপ পুথোকলল্লগা লাইরিক য়োনফম থিখি। লাইরিক য়োনফমদু মাসু খঙলমদে।

মখোয়দা ৱা অমত্তা হংবা য়াদে মেপ হেক্তা পুথোকলকই। মেপ য়েংদ্রগদি মখোয় করিগুম্বা অমত্তা হায়বা, তাকপা ঙমদবদৌনা তৌই। মেপ য়েংলবনিনা য়াম্না থাপ্না লৈরমগনি খনখি অদুনা ৱা মখা তানা হংলুদনা কাদা চঙলকখি। কিয়ার টেকরনা মফম ফজনা থিবিরগা লাইরিক ফংফম, চে অমদা বুক ষ্টোলগী মমিং অমদি রোড নম্বর ইরগা পীরকই। বুক ষ্টোলশিং য়াম্না লাপ্না লৈরমখিদে। ঐখোয়না লৈরিবা ব্লোক অদুগা হেক থংননা লৈরম্মী । অসুক নকপা মফমসি করিগী মখোয়না খঙদবনো পুক্লিংদা হংনিংখি। মখোয়দা মথৌ তাদ্রবদি অমদি মখোয়গা মরি লৈনদ্রবদি অতৈগী মরমদা খঙগন্দে। মখোয়-মখোয়গী থবক অদু নত্তনা অহেনবা খঙনবগী মতমসু লৈনদে, থবক য়াম্না চিন্নৈ মসি মখোয়গী চৎনবী ওইরমখি। ঐগী থম্মোয়নদি থৌওংশিংদু ইয়া য়ানিংখিদে। মতম লৈরোই হায়দুনা শংলিঙৈদা লাইরিক খর লৌহৌনবা চৎলুই। লাইরিক য়োনফম অদুদা, লাইরিক মখল শুনবা লৈরম্মী। অতোপ্পা লোনশিংগী তোঙানবা ময়েক্তা ইবা লাইরিকশিং য়াম্না উখি। বুক ষ্টোল অমা চঙলুবদা অতৈ চৎলুদ্রবসু অদুম য়ারে । অঙাংগী অহলগী, সাইন্সকী,লিট্রেচরগী শুনবা ফংই। লাইরিক য়োনফম মনুংদু চঙবু-চঙলুরবদি, পাক থোকলকপা য়াদে। ফাষ্ট ফ্লোর, সেকেণ্ড ফ্লোর,থার্দ ফ্লোর মথোল-মথোল লৈখ্রে । লাইরিকশিং অদু নুপীশিংনা য়োল্লম্মী । নুপা খরসু য়াওই মখোয়না অৱাংবা কাদুনা লৌথবা, পেকিং তৌবা ওই। নুপীশিংদি রিসেপসন তৌবা, লাইরিক য়েংহনবা, পীথোকপা, পৈশা লৌবা অসি মখোয়গী মথৌনি। দুব্লিনগী খোঙচৎ অসি য়াম্না মরু ওইখি। ইন্দিয়ান এম্বেসিনা ঐখোয়বু ইনভাইদ তৌরক্তুনা চাক্লেন অমসু খোঙচৎ লোইশিল্লকপদা চামিন্নখি। ইন্দিয়ান ষ্টাইলগী ডিন্নরনি। তল য়াম্না য়াওরমখি। চাক অসিমদি অদুমক উবা ফংখিদ্রে। কুইনা মীরমদা লৈরক্লবনিনা, চাবগী মখল ফনা য়াম্না হৈনরকখি। চাবগী মরমদি থোইদোক্লবু খল্লুদ্রে। ফমুং-ফানুং, কাগী ডেকোরেসন, শীজিন্নরিবা উপু-কাংথোল, ইরুজফমগী মওং, ডাইনিং রুম, রিদিং রুম ময়াম অসি উরুরগা মখোয়গী খুৎহৈবা ইঞ্জিন্নীয়র, আর্কিটেকচরগী হৈ-শিংবা, ক্রিয়েটিব ৱার্কশিং উরগা থম্মোয়দা কল্লকপা ফাওখি। *(মখা মথং নোংমাইজিংদা)*

*(লমকোয় ৱারী অসি মাখোনমনি মোংশাবনা ইবা চীংলোন অমদগী অমদা হায়বা লাইরিক্তুগী লৌখৎচবনি)*

# থৌনা




**হেমাম ননাওবী দেবী**

*মোইরাংথেম লৈজুবম লৈকায়, মোইরাং*

***ঙসিসু*** অহোংবা লৈত্রি মফমসে। কাউঙমদ্রবা নুংশিরবা ৱারী কয়াদি নীংশিংদুনা লৈহৌরে, মীকুপশিংদুদি মতম নঙনা পুবিখ্রে। হৈনৌ পাম্বীসু অদুমক লৈরম্মী, তারিবা নুংশিরবা উচেক্কী খোঞ্জেল অদুমক হোংঙমদ্রি। ঐনা অঙাং ওইরিঙৈদা উখিবা পূম্নমক লৈরল্লি। অদুবু ইবোক্তি ঐগী নাক্তা অমুক হন্না ফমখিদ্রে। পুন্সিদা অমুক হন্না উবা ফংখিদ্রে। তারি ঙসিসু ইবোক্লা কৌবা 'ইশুতোম্বী' হায়বা খোঞ্জেলদো।

ইশুতোম্বী নঙবু লোইরোনে নুমিৎসে আ য়ৌরেনে ইবুধৌ থাংজিং খুরুম্বা থেংঙনি, লাইনা শাউ তারে। থোইনুনা ইমুংদগী 'ইবোক লোইরে হায়না হোবে-হোবে থোরকই। মখূৎ মচাদুনা থম্বালদো পায়রগা মবোক্লা লোয়ননা লাই খুরুম্বা চৎখ্রে।

থোইনু চহী তরাদমক ঙাইরিবা য়াম্না কেজবা অঙাংনি। মতম চুপ্পদা থোইনু মবোক্কী মতুং য়াম্না ইন্নজে। মবোক্লা থবক তৌবা, ইস্কোলগী মনা-মশিং থাবা মাসু য়াওজে। মবোক্কী ৱারী য়াম্না তাবসু পাম্মী। নুংথিল মতমনি, তোম্বা লাং ময়াম অমা লেংজুমদা য়ান্দুনা মখূৎ নাম্মদনা খাওজাউ অমা পায়রগা ৱানা লাকই। থোইনুনা 'য়া' বাবা লাকএ' হায়না হরাউনা চেনশিল্লি। ঙা ময়ামদো উবদা থোইনুনা হরাউনা পায় পায়দুনা শান্নে অদুগা ইবোক্তা হায়রকই, "ঙা ময়ামসে ফাবা ঙমজগদ্রো ইবোক"। মপানা ঙাদু শাননু হায়না খংলাউ হেক লাউরকই। থোইনু পেরগা ইবোক্কী নাক্তা খংচেন চেনশিল্লকই। মবোক্লা থোইনুবু থেমদুনা হংচিক লাংবা চৎলসি হায়দুনা শেন্দ্রাগী চীংখোঙলোমদা লাকই। শুম লাকপনা মশু মবোক লোক্তাক মনাক য়ৌরকই।

ইবোক ঈশিংসে য়াম্না ফজেকো, ঙা য়াম্না লৈরমনিকো। ইবোক্লা লৈশারিঙৈদা ঙা য়াম্না ফারকপ্রা হায়না থোইনুনা মথং মথং ইবোক্তা হংজরম্মী। ইবোক্লা মোমোন নোক্লা তরং তরংলিবা ঈশিংদা য়েংলগা ৱারী হৌরল্লম্মী।

মতমদো কৃষ্ণ জন্ম নুমিৎকী নুংঙাইরবা নুমিৎনি। পাখঙ লৈশা পূম্নমক হরাউনা লিকোন শান্নখি। নুমিৎতুদা থেংনখিবা লমলানবা পাখঙ অমদা লাংলেনহনগী পুন্সিগী অহানবা নুংশিবগী মমি তাখি। মপানা থেংনা হঞ্জিল্লকপগী ঙাঙবগা কাউথোক্তুনা পাখঙদুগী ৱাখলদা লুপখি। মথন্তা মোমোন নোক্তুনা ৱাখল মওন মওন খন্দুনা লাংলেনহনগী থম্মোয়দা নুংশিবগী য়েন্নিং হুন্দুনা অহিংদো হৌখি।

নোংমসু লাংলেনহন্না মমান্নবীশিংগা খুলং চৎপদা থেংনখি পাখংদুগা। লাংলেনবু ময়াম্না ঙাইহাক পোথাবা ওইনা খুলং ঈশৈ শকহল্লমই। অসোমদা ইবোচৌগা পারীগা লৌহোন ফোইবা লাকপগা মপা চপ হেক চানখি। মখোয় অনীগী মতৌসু লাপতক্লা লাংলেনহন্না উরম্মী। লাংলেনহন্না খনখি মখোয়গী মথম্মোয়দা ঐগী ঈশৈসে থিরিজাৎলা, মখোয়না নোক্লিসিবু হায়না।

অসুম্না লাংলেনহন অমদি পারী মতমগী মতুং ইন্না তপ্না তপ্না নুংশিরকপদগী নুংশি পরৈ চেৎনখি। অদুবু মোইরাং খুলসিদা ফত্তবা পাখঙ কয়াসু লাংলেনহনবু খোইদাজবা য়াওরম্মী।

নোংমা লাংলেনহন্না ঙা তোংগোন অমা পায়দুনা নুমিদাংৱাইরমদা লাকপদা ফত্তবা তোমথিনগী খয়াৎতা তাখি। য়ান্নিংদা য়ানিংদা চেল্লুরবা কৌবনিনা মপানা লুহোংনবা লেপ্পখি।

অসুম্না লাংলেনহনগী পুন্সিদা নীংবা কায়বা, পুন্সিগী লানফম কয়াদা হৌরকখি।

তোমথিন থবক শুনিংদবা নুপা অমা ওইবনা নুপীনা তাল্লগা চাবা য়ূম্বাল হায়দো ওইরকখি। পীক্লিবা মচা অনীবু চাউনবা য়োকপদা হায়নীংঙাই লৈতনা ৱাখি। মসিগীমথক্তা লাংলেনহন্না খুলং চৎলি। খুলং চৎলুবগী থেংনা হল্লকপা নুমিৎতা তোমথিন্না মৌৱা ঙাঙনৈ হায়দুনা ফুখিবা কয়ানি। ৱানা থবক শুরগা হিংলিবা পুন্সি অসিদা অমুকসু মাগী নুপানা ওৎপা-নৈবা কয়া চথবদগী মহাক খাঙবা ঙম্লকখিদে। অহিং কয়া কপ্তুনা অৱা মৈচাক কয়া খাঙলকখি। কয়ারকসু খায়নরে, ইকায়বা খঙবা কৌবা লৈতবা তোমথিন্না হেক্তা লৌবা লাকখি। মচাশিংগী খল্লগা লাংলেনহন্না ইচা চাউবদদি হায়না ৱানা লেনখি। মতম খরা লৈরগা ফত্তবা চিঞ্জাক কয়া চাখি-থকখিবা কয়াদুনা লায়না ওইদুনা তোমথিন লৈখিদে।

নোংমদি লাংলেনহন্না লৈকায় মচে মন্দোনশিংগা লোক্তাক্তা ঙা ফাবা চৎপা য়াওরম্মী। 'পুদোন চুখৎনবা তৌসিরো ময়াম' হায়না ইবেলৈনা হীরুবাক্তগী লাউরকই। মখা তানা হায়রকই, ঙসিদি য়ূম য়ূমদা হল্লরোইসে ঙাসু য়াম্না লকই। ময়ামদগী লাংলেনহন্না ইহেন হেল্লে, ঈল অশোন খুদিং ঙা ময়াম ময়াম লকই। লাংলেনহন্না নোক্লগা হায়রকই, "লোক্তাক ইমানা তম্বীবা হায়দুনি, মসি ময়ামসে য়োল্লগা ইচাশিংগী স্কুলগী ফী পীথোক্কদৌরিনে।

অসুম্না ঙাওনরিঙৈ ঙাইহাক লৈরগা থাজদনা নোং তপ্না তপ্না চুরকখি। অস! করি মতৌনো নোংসিদি থাজদনা কনশিল্লক্লে, ইচেহোয় হী হোন্দোক্লরসিরো। লাংলেনহন্না হায়বা তৌবগা নোং খঙকন হেক কল্লকই। লোক্তাক ঈমায়দো ঈরৈনা হীশিংদো মায়কৈ মায়কৈদা পুখি। অহিংদুদা অমম্বা মরক্তুদা লাংলেনহন্না হীদু লুপ্তনবা, ঙাশিংসু মাঙদনবা মথৱায় খুবাক্তা হাপ্তুনা ঈলদো ঈশিংদা থাদরম্লগা ঈরৈ মরক্তুদা হীদো হোন্নবা হোৎনখি। অহিংদুদা ময়াম নোকখিবা খোঞ্জেল কয়াদো, ঈরৈনা পূম্নমক পুখ্রে। তাখিদ্রে কনাগুম্বী অমত্তগী খোঞ্জেল, পূম্নমক তুমিন লৈখি।

নোংঙাল্লকপদা লাংলেনহন মীকপ থোরকপদা ঈমায়দুদা কনামত্তা উখিদে। মশামক কন্দায়দা লৈরিনো হায়বা খঙলমদে। অকোয়বদা ঙাইহাক কোইয়েং য়েংলবা তুংদা মনাক্তা উরিবা চিংদুনা মহাক ঈরৈনা লাপ্না পরে হায়বা খঙলকখি। হীরুবাক্তা য়াওরিবা ঙাশিংদো উবদা লাংলেনহন্না নোক্লা নোক্লা লাউনা কপখি।

নুমিৎতুদা নোক্লা নোক্লা হরাউনা ঈ শোনমিন্নখিবা ইচেশিং থিবা খঙদনা লোক্তাক ঈরোলনুংদা থৱায় থাখিবা কয়া লাংলেনহন্না হিংলিবমখৈ কাউররোই। শুপ্নতগী লাংলেনহন, ঐহাক খক্তনি হিংহৌবা। নুমিৎতো কাউবা ঙম্লরোই, নুংশিবনিদা নুমিৎতো।

পীক্লিবী থোইনুগী ৱাখলদা মবোক্কী ৱারীনা পুন্সিগী লম্বীদা কয়ামুক থৌনা লৈনা থেংনরকপনো হায়বদু মাগী ৱাখলদা মমী তারম্মী।

থোইনুনা 'ইবোক চঙলসে নুমিৎ তাগদৌরে' হায়না মবোক্তা হায়রকই। অদুবু ইবোক্তি থোইনুনা কৌবা তাদবগুম কোইয়েং য়েংই অকোয়বদা। ইবোক্তো মশা পূম্নমক ফাজিনবগুম থোইনুনা কৌবা তাখিদ্রে। থোইনুনা হঞ্জিন হঞ্জিন কৌরবসু ইবোক্তি অমুক হন্না খুল্লকখিদ্রে।

মফমসিমক্তদনি ইবোক্লা ঐগা ফমিন্নখিবা। ঐগী পুন্সিদা তাখিবা থৌনাগী মফম। ঐগী নাক্তা অমুক হন্না ফমখিদ্রে ঐগী ইবোক্তি অদুবু পীবিরমখি ইবোক্লা ঐঙোন্দা 'থৌনা'।